**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 20-04-2026)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ২০-০৪-২০২৬, নিংথৌকাবা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) হৌখিবা অহিংদা মফম কয়াদা মৈরাগী রেল্লিশিং পাঙথোকখি, খোঙজং চংশিনবদা হিংশা তৌবীদনবা পুলিসনা আপিল তৌরি।

২) ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল অমসুং ককচিং জিলাশিংদা ঙসিগী ওইনা অয়ুক পুং ৫ দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা কর্ফিয়ু কোমথোক্লি।

**অমসং**

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি নিউ দেল্লিদা খা কোরিয়াগী রাস্ত্রপতি লি জে ম্যুংগা উনদুনা ৱারি শান্নগনি।

----

**পুলিস (এল)ঃ** রাজ্য পুলিসনা হায়রি- হৌখিবা নুমিৎ খরনিদা নুমিদাংগী মতমদা ইম্ফালগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মৈরাগী রেল্লিশিং পাঙথোকখি। মদুদা, এন্তি সোসিয়েল ইলিমেন্টশিংনা খোঙজংলোইশিংগী মাইখুম উপ্পুনা হিংশাগী থৌওং কয়া চত্থরকপা থেংনখি। মখোয়না পেত্রোল বোম, নাওরি অমদি

নুঙনচিংবা শিজিন্নদুনা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংদা অতমনা অত্তেক্ট তৌরকপা য়াওরকখি। অদুম ওইনমক, সেক্যুরিতি ফোর্সনা খোঙজংলোইশিং অদু লাকশিন্নবা হোৎনবদা য়ারিবমখৈ অশোক অপন অমদি অমাং অতা থোকহন্দনবা কন্না হোৎনখি।

মীয়ামা খোঙজং চংশিনবা মতমদা হিংশা য়াওদনা, মীয়ামগী লন থুম মাংহনবা তৌদনা অমসুং আইননা য়াদবা থৌওংশিং চথবিদনবা পুলিসকী চেরোল অসিনা আপিল তৌরি।

থা অসিগী ১৮ দা পাৎশোইদগী শগোলবন্দ ফাওবা তোঙান তোঙানবা সি.এস.ওশিংনা শিন্দুনা চথখিবা রেল্লিদা খোঙজংলোইশিংগী মরক্তগী পেত্রোল বোম অমদি নুঙ লংশিল্লকপা, নাওরিনচিংবা কাপশিল্লকপদগী ২৩২ শুবা সি.আর.পি.এফগী বট্টালিয়নগী মীওই অহুম শোকখি। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা, পুলিসনা মীওই ২১ ফাগৎখি।

মরক অসিদা, মীতৈ নোংশা লময়ানবা হায়বা ফেসবুক এক্কাউন্ট অমদগী হিংশা থোকহনবা য়াবা পোষ্ট কয়া থাগৎলকপা থেংনরে। মসিগা মরী লৈননা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদগী তেনসুবম লময়ানবা মৈতৈ কৌবা মীওই অমা পুলিসনা ফারে। মহাক এ.টিগী মেম্বরনি হায়রি। রাজ্য অসিদা হিংশা থোকহন্নবা অমদি কাংলুপ মশেল নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবদা অকাইবা থোকহনবা য়াবা থৌওংশিং চথরকপা মীওইশিংগী মথক্তা মনিপুর পুলিসনা মখা তানা অকনবা থবক লৌখৎখিগনি হায়নসু ফোঙদোক্লি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং ককচিং লমখাই লাইফমখুনৌ এরিয়াদগী প্রিপাক(প্রো)গী মীওই অমা ফারে। মহাক বিষ্ণুপুর জিলাগী চাইরেন মাংজিংদগীনি হায়রি।

উখ্রুল জিলাগী লিতান পুলিস স্তেসনগী মনুং চন্না লৈবা মোংকোৎ চেপু চীংশাংগী য়াওলেন অমসুং মোংকোৎকী মরক্তা লৈবা মফম অমদা শারম্বা বঙ্কর অহুম সেক্যুরিতি ফোর্সনা থুগাইদুনা মাংহনখ্রে।

**রেল্লি (এল)ঃ** মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হৌখিবা অহিংদসু ত্রোংলাউবী থৌদোকপু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মীয়ামা মৈরাগী রেল্লিশিং পাঙথোকখি। ককচিং বজারদগী হৌদুনা ককচিংগী তোঙান তোঙানবা লন্বীশিং ফাওরগা সুপর মার্কেট তমা লাকখিবা মীয়ামগী মৈরা রেল্লি সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা তিয়র গ্যাস অমসুং মোক বোমশিং কাপ্তুনা তানখাইখি। খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা অঙাং হাৎপা য়ানিংদে, মীচমদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা মীশি মীনা থোকহনবা য়ানিংদে, মণিপুর কাইবা য়ারোই অমসুং ঐখোয় অচুম্বা ৱায়েল পাম্মি হায়বনচিংবা খোল্লাউ কয়া লাউখি।

ইম্ফাল ইষ্টকী কৈকোলদগী খাবম লমখাই ফাওবদসু মশিং য়াম্লবা নুপীশিংনা শরুক য়াদুনা মৈরাগী রেল্লি পাঙথোকখি। কোইরেংগৈ অৱাং অপুনবা মৈরা পায়বীনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা মৈরাগী খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবীশিংনা মীকোক থিদ্রিবৈঙদা এন.আর.সি চৎনহল্লু, নেসনেল হায়ৰেশিংদা অয়েৎ অপন য়াওদনা চৎপা য়াহল্লু অমসুং নার্কো টেরোরিষ্টশিংগী মায়োক্তা মিলিটরিগী অকনবা থবক লৌখৎলু হায়বনচিংবা খোল্লাউ কয়া লাউখি।

**সরকার(এল)ঃ** রাজ্যগী চিফ সেক্রেটরি ডা.পুনিট কুমার গোয়লনা সরকারগী কর্মচারিশিংনা শোইদনা ওফিস কাননবা খঙহল্লি।

চিফ সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-এদমিনিষ্ট্রেতিভ সেক্রেটরিশিং অমসুং দিপার্টমেন্টশিংগী মকোকশিংনা মখোয় মখোয়গী মখাদা লৈবা ওফিস পুমমক্তা কর্মচাশিং শোইদনা ওফিস কাননবা হোৎনগদবনি। কর্মচাশিংগী এতেন্দেন্স রিপোর্ট মরী লৈনবা এদমিনিষ্ট্রেতিভ দিপার্টমেন্টশিংদা থারক্কদবনি। মথৌ নিংথিনা তৌদবা কর্মচাশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎকনি হায়রি। দিপ্যুরিতি কম্মিসনর খুদিংমকসু জিলাশিং অদুগী মনুংদা লৈবা ওফিস পুমমক্তা কর্মচারিশিং শোইদনা কাহন্নবা থবক লৌখৎকদবনি হায়রি।

**কর্ফিয়ু (এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল অমসুং ককচিং জিলাশিংদা ঙসিগী ওইনা কর্ফিয়ু অয়ুক পুং ৫ দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা কোমথোক্লি। অদুম ওইনমক, বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনদি অয়ুক পুং ৫ দগী অয়ুক পুং ১০ ফাওবদমক কর্ফিয়ু কোমথোক্লি।

**কনদেম(এল)ঃ** উখ্রুল জিলাগী টি.এম কশোম ভিলেজ মপাদা লুমদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌদোক্তা তাংখুল নাগাগী মিচম অনি লৈখিদবগী থৌদোক অদুবু জোইন্ট ট্রাইভস কাউন্সিল মণিপ্‌রনা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি। মীচমশিংদা ওনশিন্দুনা মীহাৎ মীপুন চঞ্চরকপা থৌওং অসিগী মায়োক্তা কাউন্সিল অসিনা মতম চুপ্পদা লেপকনি হায়রি।

নাগা ৱিমেন্স য়ুনিয়ন, ওল নাগা ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন মণিপুর, চান্দেল নাগা পিপলস ওর্গনাইজেসন অমসুং য়ুনাইতেদ নাগা কাউন্সিলনসু তমথিরবা মীহাৎ অদুবু য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি নিউ দেল্লিদা খা কোরিয়াগী রাস্ত্রপতি লি জে ম্যুংগা উনদুনা ৱারি শান্নগনি। লুচিংবা অনিনা লৈবাক অনিগী মরক্তা লৈনরিবা মরী হেন্না ফগৎহন্নবা য়াওনা লম কয়াদা তেংবাং পীননবা ৱাফমশিং খন্নগনি। অদুগী মনুংদা, জহাস শাবা, লল্লোন ইতিক, শেল থাদবা, এ.আই সেমিকন্দক্তর, ক্রিতিকেল এন্দ ইমর্জিং টেকোলোজি অমসুং লৈবাক অনিগী মীয়াম মরক্তা কলা সংস্কৃতিগী মরী হেন্না ফগৎহন্নবা ৱাফমশিং য়াওরি। মখোয় অনিনা লমদম লমদমগী ওইবা ৱাফমশিং অমদি মালেমগী ওইবা ৱাফম কয়াগী মতাংদসু কুপ্পা খন্ন-নৈনগনি। খা কোরিয়াগী রাস্ত্রপতিবু ইকাই খুমবগা লোয়ননা প্রধান মন্ত্রিনা ঙসি চাক্লেন অমা শিল্লি। খা কোরিয়াগী রাস্ত্রপতি লি জে ম্যুংনা রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমুগসু উনদুনা ৱারি শান্নগনি।

**পিএম ঃ** নোংচুপ বেঙ্গল বিধান সভা মীখলগীদমক ভোৎ খোম্বগী থবক কনখৎনরক্লি। তোঙান তোঙানবা রাজনিতি দলশিংগী লুচিংবা কয়ানা মীয়ামগী মীতিন, রেল্লি অমদি রোদ সোনচিংবদা শরুক য়াদুনা মখোয় মখোয়গী মীরেপশিংগীদমক ভোৎ খোমখি।

বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা রাজ্য অদুগী ঝরগ্রাম, পুরুলিয়া অমসুং বিষ্ণুপুরনচিংবা মফমশিংদা মীয়ামগী মীতিন কয়াদা শরুক য়াদুনা ভোৎ খোমখি। মফমশিং অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়-নোংচুপ বেঙ্গলদা বি.জে.পিগী সরকার লাক্লবদি দবল ইঞ্জিনগী সরকার ওইদুনা নুপীশিংগী য়াইফ থৌরাং কয়া পায়খৎপা অমদি রাজ্য অদুবু হেন্না চাউখৎহনবা ঙমগনি। নুপীশিংবু ইজৎ লৈনা অমদি মশেক মঙাল থোকা লৈহনবা হায়বসি মহাক্কী দলগী মাংজিল থাবা ৱাখল্লোননি হায়না শ্রী মোদিনা ফোঙদোকখি। ত্রিনামুল কংগ্রেসনা কংগ্রেসকা চুংশিন্নদুনা লেজিস্লেতিভ বোদিশিংদা নুপী মশিং য়ামখৎহন্নবা থৌরাংদা অয়েৎ অপন কয়া পীরি হায়নসু মহাকা ফোঙদোকখি।

**নাগালেন্দঃ** নাগালেন্দগী রাজ্যপাল নন্দকিস্বর য়াদবনা হায়রি-অহোংবা কয়া তোইনা থোক্লিবা মালেম অসিদা য়েলহৌমীশিংনা মশা মশাগী নাৎ চৎনবী অমদি শক্তমশিং ঙাকশেন্দুনা থমবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ।

গুৱাহাতিদা ঙরাং উট্টর পুরুবা জনজাতিয়া বসন্ত উৎসবকী অহানবা এদিসনদা ৱা ঙাংলদুনা নোর্থ ইষ্ট জোন কলচরেল সেন্তরগী চেয়রমেনসু ওইরিবা শ্রী য়াদবনা হায়-হৌরক্লিবা নহারোলশিংনা মখোয় মখোয়গী নাৎ চৎনবীশিংগীদমক চাউথোকচবা পোকপগা লোয়ননা মদুবু ঙাকশেন্দুনা য়োকখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাংশিং লৌগদবনি। কুম্মৈশিং পাঙথোকপনা বসন্ত লাকপগী নুঙাইবা ফোঙদোকপদা নত্তনা কাংলুপ মশেলগী মরক্তা নুংশি চান্নবগী মরী হেন্না চেৎশিলহল্লি হায়নসু রাজ্যপালনা ফোঙদোকখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাসনা টোতেল সটদাউন হন্দোকপীনবা আপিল তৌরকপা অমসুং য়ু.এন.সিনা নাগা তাবা মফমশিংদা টোতেল সটদাউন লাউথোকখিবগী পাউনা ঙসি ফোঙবা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙনরি।

পোকফমদা- মাইন প্রুফ, বুল্লেট প্রুফ গারিশিং থুংবা হৌরে, কাউন্তর ইন্সর্জেন্সী ওপরেসনদা হৈ-শিংবা ফোর্সশিং থারক্লগনি হায়বা মিনিষ্টর গোবিন্দাসকী ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। মসিগা মান্নবা পাউ-সনালৈবাক্তসু অহানবা হেদলাইন ওইনা ফোঙলি।

মণিপুর মেলদা- হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাসনা টোতেল সটদাউন হন্দোকপীনবা আপিল তৌরক্লি হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। মসিগা মান্নবা পাউনা- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি। ইরাং থোকহন্নবা পেত্রোল বোম, নাওরি, য়োৎকি নাওরি মরু য়েনবা য়াওরে হায়বা পুলিসকী পাউনা পাউচে অসিগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

য়ু.এন.সিনা নুমিৎ হুমিগী টোতেল সটদাউন লাউথোকখ্রে, কুকিশিংগা মরী তৎনরে হায়বা পাউনা- দ পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। মসিগা মান্নবা পাউ- দ সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসন, সেনাপতিদা ফোঙবা হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেস, তামেংলোংগী দ গানফিউ মেল অমসুং দ তামেংলোং তাইমসতা অহানবা হেদলাইন ওইনা ফোঙনরি।

উখ্রুল থৌদোক্কা মরী লৈনবা তাংখুল নাগালোংগী দিমান্দশিং পীনবা

হোৎনগনি হায়না দিপ্যুতি চিফ মিনিষ্টর লোসি দিখোনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমনা-দ পিপলস ক্রোনিকলগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। মসিগা মান্নবা পাউ- হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

হোম মিনিষ্ট্রিনা ওর্দর পীদ্রবদি, মণিপুরদা থোকপা থৌদোকশিংগী কেস এন.আই.এনা রেজিস্তর তৌদুনা থিজিনবা ঙল্লমদ্রে হায়বা পাউনা- হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

**---পাউ লোইজরে---**